# খ্বাইদগী হেন্না ফাবা নৎত্রগা হাৎপা পাল্লিবা হিজবুল চীফ রিয়াজ নাইকু জম্মু এন্দ কাশ্মিরদা হাৎখ্রে



***শ্রীনগর, মে, ০৬ (এজেন্সি)ঃ***
কাশ্মিরগী খ্বাইদগী হেন্না ফাবা নৎত্রগা হাৎপা পাল্লিবা টেরোরিষ্টকী মনুংদগী অমা ওইরিবা অমসুং টেরর গ্রুপ হিজবুল মুজাহিদীনগী কম্মান্দর রিয়াজ নাইকু জম্মু এন্দ কাশ্মিরগী পুলৱামা দিষ্ট্রিক্টতা ঙসি অয়ুক খূৎ থোক্লবা অমদা হাৎখ্রে।

পুলৱামা দিষ্ট্রিক্টকী বৈঘপুর এরিয়াদা আর্মি অমসুং জে এন্দ কে পুলিসনা চত্থখিবা এন্টি–টেরোরিষ্ট ওপরেসন অমদা নাইকু হাৎখিবনি, মহাক্কা লোয়নবনি থাজবা অতোপ্পা টেরোরিষ্ট অমসু খূৎ থোক্লবা অদুদা শিখি।

ওপরেসন অদু খা কাশ্মিরগী এরিয়াদা চত্থবা এন্টি–টেরর ওপরেসন ৩গী মনুংদগী অমনি। দিষ্ট্রিক্ট অসিগী পামপোরে এরিয়াগী সারসারি খূনদা অতোপ্পা খূৎ থোক্লবা অমদসু টেরোরিষ্ট ২ হাৎখি।

মশাগী চহী ৩২ শুরবা নাইকু হাৎখিবা খূৎ থোক্লবা অদু অয়ুক পুং ৯দগী হৌখি। কাশ্মির তম্পাককী দিষ্ট্রিক্ট ১০ লোয়নমক্তা মোবাইল ইন্টরনেট সার্ভিসশিং ককথৎখি।

নাইকুবু হাৎখিবা অদুদগী থোক্লকপা য়াবা ঈরাংশিং লাক্লিন্নবগী মীৎয়েংদা ওথোরিটিজনা মোবাইল ইন্টরনেট সার্ভিশিং ককথৎখিবনি। মহাক হাৎপদা লুপা লাক্ষ ১২গী রিৱার্দ লাওথোক্লিবা রিয়াজ নাইকু অসি হিজবুল মুজাহিদীনগী লুচিংবগী থবক অদু হেক পায়খিবগা ইন্দিয়াগীদমক মরুওইরিবা তার্গেট অদু ওইখি।

২০১৬গী জুলাইদা খূৎ থোক্লবদা শিখিবা হান্নগী হিজবুল চীফ বরহান ৱানিগী মতুংদা নাইকুনা খ্বাইদগী হাৎপা নৎত্রগা ফাবা পাল্লিবা টেরোরিষ্ট অদুনি। খা কাশ্মিরগী মফম অমদা পোকখিবা নাইকু মেথমেটিক্সকী স্কুল ওজা অমনি অদুবু মহাক ২০১২তা টেরোরিষ্ট অমা ওইরকখি।

সেপ্টেম্বর ২০১৭দা খূৎ থোক্লবা অমদা শিখিবা মকোক থোংবা টেরোরিটে য়াসীন ইত্তুদগী থবক পুহৌরবা তুংদা কাশ্মিরদা ওপরেসনশিংগী মকোক ওইরকখ্রবা নাইকু টেররগা মরী লৈনবা কেস ১১দা ফাবা পামখি।

হৌখিবা থা ১ হেনবদা, আর্মি ওফিসারশিং য়াওনা য়ামদ্রবদা লৈবাক অসিগী সেক্যুরিটি ফোর্সশিংগী মেম্বর ২২ কাশ্মির তম্পাক্তা শিখি।

পাকিস্তানদগী থাক ৱাংনা ট্রেনিং ফংলবা টেরোরিষ্টশিংনা চংশিল্লকখিবগী পাউ মরক্তা খূৎ থোক্লবগী মশীং খঙহেন হেনগৎলকখি। কোভিদ–১৯গী ৱাথোক লৈবাক অসিনা থেংনরিঙৈ মরক্তা মদুনা অচৌবা সেক্যুরিটি শীংনবা অমা ওইহনখি।

নোংমাইজিং নুমিৎতা জম্মু এন্দ কাশ্মিরগী কুপৱারা দিষ্ট্রিক্টকী হান্দৱারাদা খূৎ থোক্লবা অমদা আর্মিগী কর্নেল ১ অমসুং মেজর ১ য়াওনা পার্সোন্নেল ৫ শিখি। হেক নোংঙানবা নিংথৌকাবদসু হায়রিবা মফম অদুমক্তদা সি আর পি এফ টিম অমদা এটেক তৌরক্তুনা পার্সোন্নেল ৩ হাৎখি।

# ৱেষ্ট বেঙ্গলদা লোকদাউনগী কাঙলোন থুগাইবগীদমক মার্চ ২৫ মতুংদগী মীওই ৪০,০০০ ফাখ্রে ঃ পুলিস



***কোলকটা, মে, ০৬ (এজেন্সি)ঃ***
ৱেষ্ট বেঙ্গলদা লোকদাউনগী কাঙলোন থুগাইবগীদমক মার্চ ২৫গী মতুংদগী ষ্টেট অসিগী তোঙান–তোঙানবা মফমদগী পুলিসনা মীওই ৪০,০০০ হেন্না ফাখ্রে হায়না লৈবাকপোকপা নুমিৎতা ৱেষ্ট বেঙ্গল পুলিসনা ফোঙদোকখ্রে।

লোকদাউন থুগাইবগীদমক মার্চ ২৫গী মতুংদা মীওই ৪০,৭২৩ অমসুং গাড়ী ৩,৬১৪ ফাখ্রে হায়না ৱেষ্ট বেঙ্গল পুলসিনা ত্বিট তৌখি।

পুলিসনা হায়খি, লোকদাউন ইন্দবা মীওইশিংগী মথক্তা ফোর্স অসিনা অকনবা থবক মখা তানা লৌখৎখিগনি, অদুবু মী য়াম্না পুলহন্দনা দুকানশিং হাংদোকপা অমসুং মীওই ৩ তোংবা অপিকপা গাড়ীশিং কন্টেনমেন্ট জোনশিংগী মফম নৎতবা মফমদা চৎপা য়াহনগনি।

গ্রীন জোনশিংগী মনুংদা লৈবা দিষ্ট্রিক্টতা কেপাসিটিগী তঙ্খায় য়ৌদনা পব্লিক ট্রান্সপোর্ট ফংহনগনি। য়ুমদগী ওইনা থবক শুনবা হোৎনবীয়ু, মাস্ক উপ্পা কাউবিগনু, মপান্দা চখোকপগী মথৌ তারবদি সোসিয়েল দিষ্টেন্স ঙাকপীয়ু। ৱেষ্ট বেঙ্গল পুলিসনা মখা তানা লোকদাউন কন্না চত্থহনখিগনি হায়না ত্বিট অদুনা মখা তাখি।

অমরোমদা লৈবাকপোকপা নুমিৎতা লোকদাউনগী কাঙলোনশিং থুগাইবগীদমক মীওই ৮০০ হেন্না ফাখ্রে, নুমিৎ অসিমক্তদা গাড়ী ৯সু ফাখি হায়না সেনিয়ার পুলিস ওফিসার অমনা হায়খি।

লোকদাউনগী কাঙলোনশিং থুগাইবগীদমক ঐখোয়না মীওই ৬৫২, অদুগা মাস্ক উপতবগীদমক মীওই ১৫২ অমসুং মীয়াম তিনফমশিংদা লোক–তিন শিৎপগীদমক ২৯ ফাখি। লৈবাকপোকপগী অয়ুক্তগী নুমিদাং পুং ৮ ফাওবা সেফটি রেষ্ট্রিক্সনশিং থমখি। মখোয় পূন্নমক ইন্দিয়ান পেনাল কোদ (আই পি সি) অমসুং দি এম এক্টকী মরিলৈনবা সেক্সনশিংগী মখাদা আইনগী ওইবা থবক চত্থগনি হায়না মহাক্না হায়খি।

# কোরোনাভাইরসকী ৱাথোক মনুংদা মথৌ পাংথোকপা লাকখিদবগীদমক বিহার ডোক্টর ৩৬২ নোটিস পীখ্রে

***ন্যু দিল্লি, মে, ০৬ (এজেন্সি)ঃ***
কোরোনাভাইরস পান্দেমিক মনুংদা মাঙজৌননা খঙহল্লকপা তৌদনা মথৌ পাংথোকপা লাক্তবগীদমক বিহারদা ডোক্টর ৩৬২ রোম সোকোজ নোটিস পীখ্রে।

মসিনা ষ্টেট অসিদা নিটিস কুমারনা লুচিংবা গভর্ণমেন্টপু মেটরনিটিগী ওইবা ছুটিশিং নৎতনা ডোক্টরশিং, হেল্‌ঠকিয়ার ৱার্করশিং, পেরামেদিক ষ্টাফনা মেগী ১ ফাওবা ছুটি অমত্তা পীদনবা অকনবা দিরেক্টিব অমা চৎনহনখ্রে।

মথৌ পাংথোক্লবা লাকখিদবা ডোক্টরশিং অদু লোয়নমক কোভিদ–১৯গী অনবাশিং লায়েংনবা মপুং ফানা থবক তৌরিবা গভর্ণমেন্ট হোস্পিটালশিংদগীনি।

ষ্টেট অসিদা দিষ্ট্রিক্ট ৩৭তগী ডোক্টরশিংনা মার্চ ৩১দগী এপ্রিল ১২ ফাওবগী মরক্তা দ্যুটিদা লাক্তে হায়না প্রেসতা থোকপা চেরোল অমদা ষ্টেট হেল্‌ঠ মিনিষ্ট্রিনা হায়খি।

ডোক্টরশিং অমসুং হেল্‌ঠ ৱার্করশিং খ্বাইদগী হেন্না মরু ওইবা মতম অমদা ডোক্টরশিং অসিনা কোরোনাভাইরসকী অকিবনা মরম ওইদুনা মথৌ তৌবা লাকখিদবনি।

লৈবাক অসিগী মফম কয়ামুক্তা হেল্‌ঠ কিয়ার ৱার্কর কয়াবু মীয়াম্না এটেক তৌরকখ্রে। য়াম্না থীনা লৌনগনবা ভাইরস অদু মখোয়দা শন্দোরকপা য়াই হায়বগী অকিবদগী মীয়ামনা মখোয়বু তাথি–তাওইনা ইন্থোকপা য়াওখ্রে।

হৌখিবা থাদা বিহারদা সুপ্নগী নোংমগী মনুং খক্তদা ষ্টেট অসিগী তোঙান–তোঙানবা মফমদা হেল্‌ঠ ওফিসারশিংদা খূৎ থোবগী থৌদোক ৪ থোক্কুনা মখোয়গী মথক্তা খূৎ থাবগী থৌদোক খ্বাইদগী ৱাংখি। হায়রিবা অসি ষ্টেট অসিদা কোরোনাভাইরসনা নাবা মশীং ১০০ ফাওবা শুদ্রিঙৈগী মতমদনি।

ডোক্টর ৩৬২ অদুগী লোয়নমক্না কোরোনাভাইরস অনাবশিং লায়েংদে হায়বা নৎতে, অদুবু তমথিরবা ভাইরস অসি লাকশিন্নবা লৈবাক অসিনা হোৎনরিঙৈ য়াম্না শাথিনা মথৌ তারবা মতম অসিদা চপ চানা মীওই খুদিংমক ফাওবা মওং অমা নৎত্রগা অমদা অনাবশিং লায়েংবা নৎত্রগা লিখুন লিবদা শরুক য়াই।

বিহারদা কোরোনাভাইরসনা মীওই ৫২৯ নাখ্রে অমসুং হৌজিক ফাওবদা মীওই ৪ শিখ্রে।

মার্চ ২৫দগী লৈবাক অসি লোকদাউনগী মখাদা থমখিবনি অমসুং মদু অনীরক ফাওবা মতম শাংদোকখ্রে।

# কোভিদ–১৯ লোকদাউন মনুংদা লম্বীগী খুদোঙথীবা ৬০০ থোকখি, ১৪০ শিখিঃ সেবলাইফ ফাউন্দেসন



***ন্যু দিল্লি, মে, ০৬ (এজেন্সি)ঃ***
সেবলাইফ ফাউন্দেসনগী রিপোর্ট অমগী মতুং ইন্না মার্চ ২৪দগী মে ৩ ফাওবগী মনুংদা তাঙ্কক ২গী লৈবাক শিনবা–থুংবা লোকদাউন মতমদা লম্বীগী খুদোঙথিবা থৌদোক ৬০০ হেন্না থোকখ্রে।

হৌখিবা চয়োল ৫গী মনুংদা লৈবাক অসিদা লম্বীগী খুদোংথিবা থৌদোকশিংদগী মীওই ১৪০ রোম শিখি। ষ্টেট ৯ খক্তদা মী ১০০ হেন্না শিখি। ষ্টেটশিং অদুদি দিল্লি, মহারাষ্ট্র, গুজরাত, আসাম, কেরলা, করনাতকা, রাজস্থান, পঞ্জাব অমসুং টামিল নাদুনি।

হায়রিবা লম্বীগী খুদেঙথিবদা শিবশিং অসি মখা তানা নৈনবদা মসিগী চাদা ৩০ রোমদি ময়ুমদা অমুক হল্লকপা মাইগ্রেন্টশিংনি। চাদা ৫৭ লোমনা লোকদাউন অদুগী মনুংদা গাড়ী থৌবদা শিখিবা মীওইশিংনি।

শিবগী নৎত্রগা খুদোঙথিবা থৌদোকশিং অসিগী অয়াম্বদি গাড়ী য়াঙনা থৌবদগীনি। থম্মোয় শোক্লিবদি লম্বীগী খুদোঙথিবদা শিরিবা অতৈ মীওইশিংদি থবক মফমদগী চখোক–চৎশিন তৌবা ডোক্টরশিংগুম্বা এসেন্সিয়েল ৱার্করশিংনি হায়না রিপোর্ট অসিনা হায়রি।

লোকদাউন মনুংদা লম্বী চখোক–চৎশিন অয়াম্বা লেপখিবা মরমদগী লম্বীগী খুদোঙথিবা থৌদোক্তা শিবগী মশীং হন্থরবসু, লম্বীগী খুদোঙথীবা থৌদোকশিংদা শিবগী চাং হোংদনা লৈ, অথিংবশিং লৈরবা ফাওবদা ইন্দিয়াগী লম্বীশিং কয়ান্না শোয়বগে হায়বদু মসিনা উৎলি।

ইন্দিয়ানা চহী খুদিংগী মালেমগী ওইনা লম্বীগী খুদোঙথীবদা শিবা মশীং খ্বাইদগী ৱাংই হায়না সেবলাইফ ফাউন্দেসনগী সি ই ও অমসুং ফাউন্দর পিয়ুশ তিৱারিনা হায়খি।

লোকদাউন অসিগী মরমদগী চহী অসিদা শিবগী মশীং নেম্নবসু লম্বীগী খুদোঙথিবা থৌদোক ৬০০ হেনবদা মী ১৪০ শিবা হায়বসিনা করিগুম্বা মহৌশাগী ফিভমদা অমুক হঞ্জিল্লকপদা, ফংলিবা তোঙজবা অসি থুনমক মাঙখিগনি হায়বদু মসিনা উৎলি।

মহৌশাগী ফিভমদা হঞ্জিল্লকপা মতমদা ঐখোয়না লম্বীগী খুদোঙথিবা থৌদোকশিং অদু শিবগী মশীং হন্থহনবা ঙম্নবা লোকদাউনগী ৩শুবা তাঙ্কক অসি ষ্টেটশিংগীদমক ঐখোয়গী লম্বীশিংদা লৈরিবা ইঞ্জিরিয়ারিংগী অরানবশিং চুমথোক্লবগী অমসুং ইলেক্ট্রোনিক এনফোর্সমেন্টকীদমক মেকানিজমশিং তৌনবগী অচৌবা খুদোঙচাবা অমনি হায়না সেবলাইফ ফাউন্দেসননা হায়রি

# ইন্দিয়ানা য়ুরোপতা পেরাসিটামোল মচাক টোন ১,০০০রোম থাগদৌরি

***ন্যু দিল্লি, মে, ০৬ (এজেন্সি)ঃ***
কোভিদ–১৯ সিম্‌প্টোমশিং লাকশিনবদা শিজিন্নবা ওভর–দ কাউন্টর মেদিসিনশিংদা এক্সপোর্ট কন্ট্রোলস কোমথোক্কুনা ইন্দিয়ানা য়ুরোপতা কম্মন পেইন রিলিভর পেরাসিটামোলগীদমক এক্টিব ফার্মাসিয়ুটিকেল ইনগ্রিদিয়েন্ট (এ পি আই) টোন ১,০০০রোম পীরগনি হায়না মকোক থোংবা এক্সপোর্টস বোদি অমনা হায়খি।

কোরোনাভাইরস লাইচৎনা মালেমগী ওইবা ইন্দষ্ট্রিগী সপ্লাই চেন থদৎখিবগী মতুং ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা মখোয়গী মীয়ামগীদমক সপ্লাইজ শোয়হন্দনবা পেরাসিটামোল য়াওনা দ্রগ কয়ামরুম এক্সপোর্ট তৌবদগী মার্চ থাদা থিংখি।

য়ুরোপনা থা খুদিংগী পেরাসিটামোল এ পি আই টোন ৮০০ ফাওবা পীনবা হায়রকখ্রে হায়না ফার্মাসিয়ুটিকেলস এক্সপোর্ট প্রোমোসন কাউন্সিল ওফ ইন্দিয়া (ফারমেক্সসিল)গী চিয়ারমেন দিনেস দুৱানা হায়খি।

হৌখিবা নুমিৎ ১০নিরোম অসি য়ুরোপিয়ান য়ুনিয়নদগী মচাক অদু পীনবা ঐখোয়দা কন্না তকশিল্লকখি হায়না মিষ্টর দুৱানা হায়খি।

ওথোরিটিজনা লৈবাক মনুংগী থা অমগী মথৌতাবশিংগীদমক মতিকচানা ষ্টোক তৌনবা দ্রগ মেকরশিংদা খঙহনখ্রে।

জেনরিক দ্রগশিংগী মালেমগী মরুওইবা সপ্লায়র ইন্দিয়ানা লৈবাক ৩৩দা পেরাসিটামোলগী অতোপ্পা মওংশিং অমসুং টেব্লেট মিল্লিয়ন ১.৯ থাখ্রে হায়না হৌখিবা থাদা ফোরেন মিনিষ্ট্রিনা হায়খি।

# ৱুহান লেবতগী কোরোনাভাইরস লাকপগী ইভিদেন্স উৎনবা য়ু এসকী মাইক পোম্পিওদা চিনানা খঙহনখ্রে



***বৈজিং, মে, ০৬ (এজেন্সি)ঃ***
ৱুহানগী লেব অমদগী নোবেল কোরোনাভাইরস থোক্লকখিবগী প্রমান তৌনবা মহাক্না লৈ হায়রিবা মতিকচাবা ইভিদেন্স অদু উৎনবা য়ু এস সেক্রেটরি ওফ ষ্টেট মাইক পোম্পিওদা চিনানা ঙসি শীংনখ্রে।

মে ৩দা, পোম্পিওনা ৱুহান ইনষ্টিট্যুট ওফ ভাইরোলোজিদা কোরোনাভাইরস অদু হৌরকখিবনি উৎনবা য়ু এসকী মতিকচাবা ইভিদেন্স লৈ অমসুং থৌদোক অদু খঙনবা ইন্টরনেসনেল সাইন্টিষ্টশিংনা চঙবদা বৈজিংনা য়াখিদে হায়না পোম্পিওনা হায়খি।

মহাক্না মতিকচাবা ইভিদেন্স লৈ হায়খি, অদু ওইরবদি মদু ঐখোয়দা উৎলু হায়না মফম অসিদা প্রেসতা পীবা পাউদম অমদা চাইনিজ ফোরেন মিনিষ্ট্রিগী ৱাঙাংলোইনুপী হুৱা চুনয়ীংনা হায়খি।

পোম্পিওনা ইভিদেন্স অমত্তা পুথোকপা ঙমদে, মরমদি মঙোন্দা অমদু অমত্তা লৈতে হায়না হুৱানা হায়খি। হিরম অসিদি মখোয়গী লৈবাক মনুংগী পোলিটিকেলগী মথৌ তাবা অদু তোক্লগা পোলিটিসিয়ানশিংনা তৌগদবগী মহুৎতা সাইন্টিষ্টশিং অমসুং প্রোফেসনেলশিংনা পায়গদবনি। য়ু এসনা মখোয়না হায়জরিবা ৱাফমশিং অদু শৌগৎনবগী হৌজিক ফাওবদা ইভিদেন্স অমত্তা পুথোকপা ঙমদে হায়না ৱার্ল্ড হেল্‌ঠ ওর্গনাইজেসন (দব্লিয়ু এচ ও)গী মকোক অদুনসু ফোঙদোকখ্রবনি হায়না মহাক্না হায়খি।

কোরোনাভাইরসকী হৌরকফম অসিগী মতাংদা মীয়ামগী তোঙান–তোঙানবা খেন্নবা মতশিং লৈ। মদুগী হৌরকফম অদু খোঙ্গুল লিবা হায়বসি য়াম্না অরুবা হিরম অমনি হায়না ঐনা খল্লি। মদু সাইন্টিষ্টশিংনা অমসুং প্রোফেসনেলশিংনা রিছার্স তৌগদবনি হায়খি।

য়ু এসতা লৈরিবশিং অদু য়াওনা মকোক থোংবা সাইন্টিষ্টশিং পূন্নমক্না ভাইরস অসি নেচরদগী থোক্লকখিবনি, মীনা শেম্বা নৎতে অমসুং লেবোরেটরি অমদগী লিক ওইখিবনি হায়বগী ওইথোকপা য়াবা মরম অমত্তা লৈতে থাজে হায়না চিনাগী ফোরেন মিনিষ্ট্রিগী ৱাঙাংলোই ওইরিবী চুনয়ীংনা হায়খি।

কোভিদ–১৯ অসি হৌখিবা চহী সেপ্টেম্বর অমসুং দিসেম্বরদা লৈবাক খরদা থোকখিবগী পাউ লৈ। হৌখিবা চহীগী ওক্টোবরদা য়ু এসতা কোরোনাভাইরস নাবশিং লৈখি হায়বগী কুইদ্রিঙৈগী রিপোর্টশিং লৈ। ফ্রান্সতগী রিপোর্টশিংনসু হৌখিবা চহীগী দিসেম্বরদা অনাবা মীওই অমদগী কোরোনাভাইরস কেস দিটেক তৌখিবগী ৱাফম অমা ফোঙদোকখি।


মসি য়েংলগা মালেমগী লৈরিবা লৈবাক পূন্নমক অসিনা ২০১৯দা থোকখিবা কেসশিং অদু শোয়দনমক অমুক হন্না একজামিন তৌগদবনি হায়না মহাক্না হায়খি। ৱাফম অসি মহাক্না ফোঙদোক্লদুনা ভাইরসশিং অসি চিনাগী লোবোরেটরিশিংদগী হৌরকখিবনি হায়বা পোম্পিওনা মরান শীরিবা অদু প্রমান তৌনবগী ইভিদেন্স উৎনবা মহাক্না পোম্পিওদা শীংনখি।

চিনাদা অসিগুম্বা অশোয়বশিং অদু চপ চানা করম্বা মতম, করম্বা মফম অমসুং করম্বা লেবতা থোকখিবগে হায়না মহাক্না হংখি অমসুং হৌখিবা মতমদা য়ু এসনা বেক্টরিয়েল ৱিপনশিং শিজিন্নখিবদুগী মতাংদা ইনভেষ্টিগেসন অমা চত্থনবসু দিমান্দ তৌখি।

কোরিয়াগী লান মনুংদা য়ু এসনা বেক্টরিয়েল ৱিপনশিং শিজিন্নখি, অদুগা ভিয়েটনামগী লানদা এজেন্ট ওরেঞ্জ শিজিন্নখি। কুইদ্রিঙৈগী দিকেদ অসিগী মনুংদসু য়ু এসনা বাইওলোজিকেল ৱিপন্স কনভেন্সনদা প্রোটোকোল রেজিম অদু থিংজিল্লি হায়না মহাক্না হায়খি।

য়ু এস সি দি সিনা হৌখিবা চহীদা আর্মিগী লেবোরেটরিদা পেথোজেনশিংগী মতাংদা রিছার্স তৌবা লেপখি। মখোয় অদুগী হিরমশিং অমসুং সেফটিগী মতাংদা য়ু এসনা তুমিন্না লৈশিনখি। মরম অদুনা ঐখোয়না ইনভেষ্টিগেসনশিং য়ানবা অমসুং নুংনাংবশিংদা পাউখুম পীনবা ইন্টরনেসনেল আপিলশিংদা য়ু এসনা পাউখুম পীরক্কনি অমসুং দায়ত্ব লৈবা মওংদা থবক তৌরক্কনি হায়না ঐখোয়না আশা তৌই হায়না চাইনিজ ফোরেনমিনিষ্ট্রিগী ৱাঙাংলোই অসিনা হায়খি।

# পাকিষ্টান এয়ার ফোর্স হিন্দু নহা অমা য়াওখ্রে



***ইস্লামাবাদ, মে, ০৬ (এজেন্সি)ঃ***
অহানবা অমা ওইনা পাকিষ্টানগী হিন্দু নহা অমনা পাকিস্টান এয়ার ফোর্সতা য়াওবদা মাইনোরিটি কম্যুনিটি অদুগী অহানবা মীওই অদু ওইখ্রে।

রাহুল দেববু জেনরেল দ্যুটি পাইলোট ওফিসার অমা ওইনা রিক্রুট তৌরে হায়না ত্বিট অমদা পাকিস্টান এয়ার ফোর্স (পি এ এফ)না হায়খি।

জেনরেল দ্যুটি পাইলোট ওফিসার ওইনা হাপখ্রবা রাহুল দেব সিন্দ প্রোভিন্সকী থরপারকর দিষ্ট্রিক্টতগীনি। মহাক্কী চপ চাবা চহী খঙদে, অদুবু মহাক্কী থাক অসিদা পি এ এফনা হাপ্পকখিবশিং অয়াম্বা চহী ২০ লোমগী তাঙ্ককশিংনি।

পি এ এফতা জেনরেল দ্যুটি পাইলোট ওফিসার অমা ওইনা হিন্দু নহা অমা রিক্রুট তৌরকখিবা অসি মসিনা পাকিষ্টানগী ইতিহাসতা ইহান হানবনি হায়না ওফিসিয়েল রেদিও পাকিষ্টাননা ঙসি য়ুমশকৈশা নুমিৎতা হায়খি।

হৌখিবা চহীদা ফাইটর পাইলোট ট্রেনিংগীদমক খল্লকখিবদা খায়বর–পাখতুনখৱা প্রোভিন্সতগী কাইনাথ জুনায়েদনা অহানবা নুপী ওইখ্রে।

জেনরেল দ্যুটি পাইলোটকী পি এ এফকী টেষ্টতা জুনায়ৎনা মকোক থোংবা পোজিসন অদু ফংবদনত্তনা মহাক্কী অপোকপা মপাগা লোয়ননা লৈবাক অসিগীদমক থবক তৌবা পাকিষ্টানগী অহানবা নুপী ফাইটর পাইলোটসু ওইখ্রে।

# চিনানা স্পেস রোকেট কাপখ্রে



***বৈজিং, মে, ০৬ (এজেন্সি)ঃ***
মতম পূম্বগী ওইবা স্পেস ষ্টেসন অমা ওপরেট তৌনবা অমসুং থাদা এষ্ট্রোনোটশিং থানবা চিনাগী আশাশিং অদুগী অচৌবা চাংয়েং অমদা লৈবাক অসিনা ঙরাং লৈবাকপোকপা নুমিৎতা অনৌবা রোকেট অমসুং প্রোটোটাইব স্পেসক্রাফ মায় পাক্লা কাপখ্রে হায়না ষ্টেট মেদিয়ানা ফোঙদোকখ্রে।

জিনহুৱা ন্যুজ এজেন্সিগী মতুং ইন্না খা থংবা ঈথৎ হায়নানগী ৱেনচাং লোঞ্চ সাইটতগী লোং মার্চ ৫ বি রোকেট অদু কাপখৎখি অমসুং মিনিট ৮গী তুংদা মী য়াওদবা প্রোটোটাব স্পেসিপ অমা রোকেট অদুদগী মায় পাক্লা খায়দোক্লকখি অমসুং থৌরাং তৌখিবা ওর্বিট অদুদা চংখি হায়রি।

কার্গো রিটর্ন কেপসুল অমগী চাংয়েং অমসু রোকেট অদুদগী মায় পাক্লা তোঙান্না খায়দোকখি। স্পেসিপ অদুনা ২০২২ ফাওবগী মনুংদা লোয়শিন্নবা চিনানা থৌরাং তৌরিবা স্পেস ষ্টেসন অমদা অমসুং মদুগী মথংদা থাদা নাংমদি স্পেসসিপ অদুনা এষ্ট্রোনোটশিং পুথোক–পুশিন তৌগনি। স্পেসসিপ অদু ক্রু ৬ তোংবা য়াবগী কেপাসিটি লৈ।

স্পেসসিপ অমসুং কেপসুল অদু মখোয়গী টেষ্ট ফ্লাইটশিং লোয়শিল্লবা তুংদা ইরাই নুমিৎ ফাওবগী মনুংদ লেন্দিং সাইট অমদা অমুক হল্লক্কনি হায়না চিনা মেন স্পেস এজেন্সিগী জি কিমিংনা প্রেস কনফরেন্স অমদা হায়খি।

অনৌবা স্পেসসিপ ৩ হ্যুমেন স্পেসফ্লাইটকী লমদা জপান অমসুং য়ুরোপতগী চিনাদা অহেনবা খুদোঙচাবা অমা পীরগনি হায়না চিনাগী স্পেস প্রোগ্রামদা স্পিসিয়েলাইজ তৌবা গো টাইকোনোটসকী ইন্দিপেন্দেন্ট এনালিষ্ট চেন লাননা হায়খি।

## SANA - SUDOKU

*Rules :- Nos. given in the grid should not be changed. Free boxes is to be filled with numbers from 1 to 6 horizontally and vertically without repeating any numbers.*

**Hard Sana Suduku-459**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 8 | | | | 2 | 6 | | | 1 |
| | 6 | 9 | | | 3 | 2 | | |
| | 4 | | 1 | | 8 | | | 9 |
| | | 1 | 4 | | | 7 | | 6 |
| 6 | 2 | | | 1 | | | 3 | |
| 9 | 8 | | | 3 | | | | 2 |
| | 1 | | | 6 | | | 2 | |
| 4 | | 2 | 8 | | | 6 | 1 | |
| | 3 | | | 9 | | | 8 | |

**সনা–সুদোকু – ৪৫৮ গী সোল্যুসন**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 5 | 3 | 2 | 6 | 9 | 4 | 1 | 7 | 8 |
| 8 | 6 | 4 | 7 | 3 | 1 | 2 | 5 | 9 |
| 9 | 7 | 1 | 8 | 2 | 5 | 4 | 6 | 3 |
| 1 | 8 | 9 | 3 | 6 | 2 | 5 | 4 | 7 |
| 2 | 5 | 3 | 9 | 4 | 7 | 6 | 8 | 1 |
| 7 | 4 | 6 | 5 | 1 | 8 | 9 | 3 | 2 |
| 4 | 9 | 8 | 1 | 5 | 3 | 7 | 2 | 6 |
| 6 | 2 | 7 | 4 | 8 | 9 | 3 | 1 | 5 |
| 3 | 1 | 5 | 2 | 7 | 6 | 8 | 9 | 4 |

## GAS TODAY

**G B D Indane**
Booking : 20/01/20
Valid : 08/01/19
Stk. : 176
Home Delivery Only
Refill Order & Enquary
7629947179
Booking No
7629947187
Time : 07.30 to 12 Noon

**Haran Velley, Kwakta**
(Only Left out Consumer)
Booking : 29/01/20
Valid : 02/01/20
Contact No.- 708542118
Time : 07.00 to 11.00 a.m.

**Hrangchal Gas**
Booking : 24/02/20
Valid : 21/02/20
Time : 08.00 to 12 Noon
Booking 0385-2444677
Enquary -9089024365
(Call / Whatsapp)

**Imphal LPG Service**
Booking : 07/03/20
Valid : 13/02/20
Sl. No. : 17918
Time : From 08.30 a.m.
Home Delivery Contact No.-
6009392991

**J. Rongmei Indane**
Booking : 14/02/20
Valid : 11/02/20
Stk : 306
Time : 06.30 to 09.30 a.m.
Home Delivery Contact No. -
6909963855/ 9774314973
(Blue card Hanna Pisinbiyu)

**Khumbong Indane**
Booking : 21/02/20
Sl. No. : 250
Home Delivery Contact No.-
7005771527/ 9774679422
Time : 07.30 to 10.00 a.m.

**K & K Indane**
Booking : 04/03/20
Valid : 21/02/20
Booking No.- 879426533/ 8794081549
Time : 07.30 to 11.00 a.m.

**Khoriphaba Gas, Nambol**
Booking : 29/01/20
Sl. No. : 68901
Contact No.-9366471778

**Khongnang Gas, Bisnupur**
Booking : 18/01/20
Valid : 15/01/20
Delivery Contact No. - 7085412234/ 7085412126
Time : 07.30 to 10.30 a.m.

**Mahalaxshmi Indane**
Booking : 22/02/20
Valid : 21/02/20
Time : 10.00 to 12 Noon
Home Delivery Contact No.-
9862312969/ 8414929709

**Maibia Gas, Moirang**
Booking : 17/02/20
Valid : 09/02/20
Stk : 306
Time : 08.00 to 12 Noon
Contact No. - 1. Delip- 6909152567/ 9612883295 (Moirang A/C)
2. Ajay- 7005667570 (Thanga A/C)
3. Rojen - 8787381746 (Kumbi A/C)
Booking Contact No. - 708597224

**M.M. Gas Service**
Booking : 10/02/20
Valid : 03/02/20
Home Delivery Only
Time : 08.00 to 11.00 a.m.
For Thangmeiband Area Contact SMS/ Whatsapp to 8131852580/ 8257056190
For Uripok Area Contact SMS/ Whatsapp to 9366320643/ 6009885600
Other Area Contact SMS/ Waatsapp to 9862792731/ 9612009063

**Misao Gas Service**
Only Home Delivery
Booking : 07/03/20
Valid : 20/02/20
For Dellevery Service Please Contact -7085738631/ 8119967523- Call Timing : 08.00 to 04.00 p.m.

**Manipur Gas**
Booking : 23/02/20
Valid : 03/02/20
Time : 07.30 to 11.00 a.m.
Home Delivery Contact No.-
8730954041/ 7005728461/ 8259969582

**Patsoi Indane**
Booking : 12/02/20
Valid : 21/01/20
Stk : 306
Home Delivery Contact No.-
7005255105

**R B D Indane**
Booking : 20/02/20
Valid : 09/02/20
Stk. : 608
Home Delivery Only
Refill Order & Enquary
7629947172
Booking No- 7629947182

**Yairipok Gas Service**
Booking : 08/03/20
Valid : 01/03/20
Stk : 306
Call Time -08.00 to 12 Noon
Home Delivery Only
9366351735/ 7005022459/ 9856704591

**Sawombung Indane**
Booking : 27/02/20
Valid : 10/02/20
Stk : 306
Contact No.-6033854884